# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-04-2026)**

## অকাশবানি ইম্ফালগী

## অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ

## (তাং ২১-০৪-২০২৬, লৈবাকপোকপা)

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) গ্রেতর ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কর্ফিয়ু থুগাইদুনা লন্বী থিংবা, মীয়ামগী লন থুম মাংহন তাকহনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ১৯ পুলিসনা ফারে।

২) ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা করফিউ কোমথোক্নি।

**অমসুং**

৩) নোংচুপ বেঙ্গলগী বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক অমসুং তামিলনাদু বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী মতম ঙসি লোইরগনি।

----

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা গ্রেতর ইম্ফালগী মফমশিংদা কর্ফিয়ু থুগাইদুনা লন্বী থিংবা, মীয়ামগী লন থুম মাংহন তাকহনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ১৯ হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফাখি।

অমরোমদা, সোসিয়েল মেদিয়াদা ফেসবুকতা মীয়ামবু লান্না লমজিংদুনা ইরাং অমদি হিংশা থোকহনবা য়াবা ৱাফম ফোঙদোক্লুবা মীওই অমসু মণিপুর পুলিসনা ফারে। মহাক্কী মথক্তা মখা তানা থিগৎপগী থবক চথরি।

রাজ্য পুলিসনা হায়রি-হিংশা থোকহনবা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা হোৎনরকপশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা অকনবা থবক লৌখৎকনি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা লেপ্পা লৈতনা এরিয়া দোমিনেসন তৌবা অমসুং থিবা হুম্বগী থবক চথরি।

মরক অসিদা, তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুবা গারি ৩২৯ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদগী ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে।

**কর্ফিয়ু (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা করফিউ কোমথোক্লি। বিষ্ণুপুর জিলাদসু ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কোমথোক্লি।

মসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

**ৱেদর (এল)ঃ** মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর, ইম্ফালনা হায়রি- রাজ্য অসিগী জিলা অয়াম্বদা ঙসি অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, তামেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, চুরাচান্দপুর, ফেরজোলনচিংবা জিলাশিংদা ঙসি নোং চুগনি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি

অসিদা চান্দিগর, দেল্লি, হরিয়ানা, ইষ্ট রাজস্থান, উট্টর প্রদেশ, ছতিসগর, ঝরখন্দ, গঙ্গেতিক ৱেষ্ট বেঙ্গল, পঞ্জাব অমসুং বিধর্ভাদা কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োকগনি।

অমরোমদা, অন্দ্র প্রদেশকী সমুদ্র খোঙবাল, কেরলা, মাহে, তামিল নাদু, পুদুচেরি অমসুং করাইকালনচিংবা মফমশিংদসু কা হেন্না শাবগী মায়োকগনি হায়রি। ঙসি অৱাং নোংপোক লমদমশিং মরুওইনা-অরুনাচল প্রদেশতা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

**মীখলঃ** নোংচুপ বেঙ্গলগী বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক অমসুং তামিলনাদু বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী মতম ঙসি লোইরগনি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি লুচিংবা অমিত শাহ ঙসি নোংচুপ বেঙ্গলগী সিলিগুরি ৱেষ্ট বর্দমান, ৱেষ্ট মেদিনিপুর অমসুং ইষ্ট মেদিনিপুর জিলাশিংদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংগনি। ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মকোকসু ওইরিবা মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেনরজিসু পুর্বা মেদিনিপুরগী হলদিয়া অমসুং নোর্থ ২৪ পর্গনাস জিলাগী বরাকপুর অমসুং জগৎদলনচিংবা মফমশিংদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াদুনা মহাক্কী দলগী তোঙান তোঙানবা মীরেপশিংগী ভোৎ খোমগনি। তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংসু মাগী মাগী দলগী মীরেপশিংগীদমক্তা ভোৎ খোম্বগী থবক কন্না চথুরি।

নোংচুপ বেঙ্গলদা বি.জে.পি, কংগ্রেস অমসুং ত্রিনামুল কংগ্রেসকী য়াওনা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবা কয়ানা ঙরাং মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। বি.জে.পি প্রসিদেন্ট নিতিন নবিন পুর্বা মেদিনিপুরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা শরুক য়াখি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি জে.পি নদ্দানা মুর্সিদবাদ অমসুং বন্দকুরাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংখি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি রাজনাথ সিংহসু বিরভুম জিলাদা পাঙথোকপা

মীখলগী রেল্লি অমসুং রোদ সোদা শরুক য়াখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং খা কোরিয়াগী রাষ্ট্রপতি লি জে মিওংগা ঙরাং নিউ দেল্লিদা লৈবাক অনিগী মরক্তা শেল থুমগী তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা অমসুং লাক্লিবা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা দোলর বিলিয়ন ৫০ য়ৌনা লল্লোন ইতিক তৌননবগী ৱাফম য়াওবা য়ান চেরোল অমা সহী তৌনখ্রে। শান্ন-খোৎনবা, কলা সংস্কৃতি, উদ্যোগ, ইন্দিষ্ট্রিয়েল কোওপরেসন কন্মিতি লিংখৎপগী মতাংদসু লৈবাক অনিগী মরক্তা তেংবাং পীননবা য়ানখি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়-লৈবাক অনিগী মরক্তা হৌজিক ফাওবদা দোলর বিলিয়ন ২৭ য়ৌনা লল্লোন ইতিক তৌমিন্নরি। আর্তিফিসিয়েল ইন্তিলিজেন্স, সেমিকন্দক্তর অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা হেন্না তেংবাং পীননবগী অনৌবা খুদোংচাবশিংসু লৈরগনি।

**মুরমুঃ**রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু নোংমগী খোঙচত্তা ঙসি উরিষাদা চৎকনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা রুরকেলাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা প্লানেতরিয়ম এন্দ সাইন্স সেন্তর অমসুং নিরমল মুন্দা পরিভেস পাথসু শঙ্গাগনি। মহাকা ত্রাইভেল ম্যুজিয়ম অমসুং ইন্তিগেতেদ কন্মান্দ এন্দ কন্ত্রোল সেন্তরসু শঙ্গাগনি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ নুমিৎ হুমিগী খোঙচত্তা ঙসি জর্মনিদা চৎকগদৌরি। ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়-মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা হৌজিক পায়খৎলিবা ঙাকশেলগী লমদা তেংবাং পীনবগী থবকশিং অমসুং দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিসকা লমদা হেন্না অফবা মরী থমবগী খুদোংচাবা পীরগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা জর্মনিগী ঙাকশেল মন্ত্রি বোরিস পিস্তোরিয়সকা উনদুনা ৱারি শান্নদুনা দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিগী লমদা হেন্না তেবাং পীনবা, সাইবর সেক্যুরিতি, এ.আই অমসুং দ্রোনগী লমশিংদা হেন্না তেংবাং পীনগনি।

**রধাকৃষ্ণন ঃ** উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রধাকৃষ্ণননা নিউ দেল্লিদা ঙসি পাঙথোক্কদবা ১৮ শুবা সিভিল সার্ভিস ডে থৌরমদা শরুক য়াগনি। থৌরম অসি কেন্দ্রগী পর্সনেল পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সন্স মন্ত্রালয়গী মখাদা এদমিনিষ্ট্রেতিভ রিফোর্মস এন্দ পব্লিক গ্রিভান্সেস বিভাগনা শিনবনি।

**ক্রিকেটঃ** ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী ঙরাং অহেমদবাদকী নরেন্দ্র মোদি স্তেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা গুজরাট তাইতান্সপু রন ৯৯ দা থোইখ্রে। হান্না বেতিং তৌখিবা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৯৯ লৌখি। ঙসি হাইদ্রবাদকী রাজিব গান্ধি ইন্তরনেসনেল স্তেদিয়মদা সনরাইজর্স হাইদ্রবাদকা দেল্লি কেপিতেলসকা শান্নগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

দিমান্দদগী অহেনবা পীগে হায়রবা ফাওবা বন্দ লাডথোরকপা লাইবক থিবনি, এন.আই.এদা শিন্নখিবা কেস খুদক্তা লোইশিল্লু হায়বদি ওইথোক্লোই হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

৮৩ শুবা চিঙাংবম মান্দপ এরিয়েল বোম্বিং নিংশিং থৌরম খুরাইদা পাঙথোকখ্রে। তোতেল সটদাউনগী খোঙজং হন্দোকপীনবা মুখ্য মন্ত্রিনা লুপশিংদা আপিল তৌরি হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ক্লাস তুয়েল্ব এগজাম ২০২৬কী ফল লাউথোকখ্রে, চাদা ৯২.২৩ পাস তৌদুনা য়ামা পাস তৌখি হায়বা পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অহানবা

হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসি পোকফমদনা, ঐচ.এস.ঈগী ফল লাউথোক্লে, কম্মর্স স্ট্রিমগী পোজিসন ৫ মক গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মহৈরোইশিংনা লৌখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

টেরোরিষ্টকী মায়োক্তা চীংমী তম্মী পুল্লি হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

পোকফমদা- মফম কয়াদা লম্বী থিংখি, মৈরাগী রেল্লি, ৱাকৎ মীফম চথখি হায়না বেনর হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- দেল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ত্রোংলাউবী অমসুং কসোমগী থৌদোক শবাক ফাকখ্রে, মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিলহনবা পাল্লবদি অহানবদা কন্সটিট্যুসনেল ওর্দর হান্না হঞ্জিলহল্লুঃ এম.পি বিমোল হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মীয়ামদা চাউনা অৱাবা পীগদবা অসিগী য়েংলগা সটদাউনগী খোঙজং তোকপীরোঃ খেমচান্দ হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ত্রোংলাউবী অমসুং উখ্রুল টি.এম কসোমগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা মীতৈ অমসুং তাঙ্খুলনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাড ওইনা ফোঙলি।

মণিপুর মেলদা- চিফ মিনিষ্টরনা ৱার্ল্ড ৱার টু ভিক্তিমশিংগী মেমোরিয়েল স্তোন মাইখুম হাংদোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- নাগা মীচম অনি হাৎখিবগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা য়ু.এন.সিনা কৌখিবা নুমিৎ হুমিগী তোতেল সটদাউন হৌখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- ত্রোংলাউবী থৌদোক্কা মরী লৈননা চত্থরিবা বন্দ লৈরবসু কর্মচারিশিং ওফিস কাননবা মণিপুর চিফ সেক্রেটরিনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- মাচম অনি হাৎখিবা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা নাগাগী লুপশিং পুনশিন্দুনা সটদাউন লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**---পাউ লোইজরে---**